## যুক্রেন লান:

# রসিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল ষ্ট্রাইক্তা গ্যাস প্লান্ট হিট তৌখ্রে



কিভ, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

রসিয়ানা অকনবা মিসাইল অমসুং বোম্মিং এটেক চথবা হৌখ্রবা মতুংদা যুক্রেনগী মফম শীনবা থুংনা অহেনবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চত্থরকখিবগা লোয়ননা ইনৌ নৌবা এটেক্তা দনিপ্রোদা লৈবা গ্যাস প্রদক্সন ফেসিলিটি অমসুং মিসাইল ফেক্তরিনচিংবা মরু ওইবা সাইটশিংদা টার্গেট তৌখ্রে অমদি য়ামদ্রবদা মীওই মরি মফম অদুদা শিখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা ফোংদোরক্লি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা রসিয়ানা যুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা য়েংশিনবা হৌখি। মদু লানফম কয়াদা পরিং নাইনা মায়থীবা নঙলবা মতুংদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা উনরি। শগোলশেল নুমিত্তা চত্থখিবা শাথিরবা এটেক কয়াগী মতাংদা মোস্কোগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা কম্মেন্ট অমত্তা পীরক্ত্রি। প্রসিদেন্টগী ওফিসকী মতুং ইন্না জাপোরিজিয়া রিজনদা লৈবা মী লৈনবা বিল্ডিংশিংদা অহিংগী মতমদা চত্থখিবা মিসাইল অমদি বোমগী এটেক্তা মীওই মরি শিখি।

চৈরকসিদা যুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দনিপ্রোদা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখিবগা লোয়ননা ইনদষ্ট্রিএল ফেসিলিটি অমা মৈ চাকখ্রে অমসুং মীওই মরি অশোক অপন নঙলে হায়না রিজনেল হেদনা ফোংদোকখ্রে। পিএমগী মতুং ইন্না সিটি অদুদা লৈবা মিসাইল অমদি অতৈ খুৎলায় কয়া শারিবা পেবদেনমাস ফেক্তরিদা মিসাইল অমদি বোমগী এটেক চত্থরকখি। নিকোপোল সিটিগী অকোয়বদা সেল ৭০ রোম কাপশিল্লক্তুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখি অমদি য়ুম লিশিং কয়া মৈ অমদি ঈশিং ফঙদবগী অৰাবা মায়োক্লহনখ্রে।

ওদেশা অমসুং খর্কিপ রিজনশিংদা লৈবা অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদসু টার্গেট তৌদুনা মফম অনীমক্তা মীওই অহুম অহুম অশোক অপন নঙখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোংদোরক্লি।

কেপিটেল কিভতা এয়র রেইদকী সাইরেনশিংগী মখোল তাবা ফংখি। লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা লৈবাক শীন থুংনা অনৌবা মিসাইল এটেক অমা চত্থরকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখি। লোকেল এয়র দিফেন্সশিং মথৌ তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা ক্রুজ মিসাইল অনী অমদি য়ামদ্রবদা ইরানদা শাবা দ্রোন অনী কাপথখ্রে হায়না মিলিটরি ওথোরিটিশিংনা ফোংদোরক্লি।

লভিব রিজনগী হেদনা ফোংদোরকখিবদা লমদম অদুদা এয়র দিফেন্সশিং ওপরেট তৌরি হায়বগী কনফার্মেসন মহাক্না ফঙদে। যুক্রেন শীন থুংনা শগোলশেল নুমিত্তা চত্থখিবা ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্টগী ওফিসকী হেদনা রসিয়াবু নারোনদগী এটেক কয়া চত্থরি হায়না মরাল শীখ্রে।

এন্দ্রি য়েরনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা এটেকশিং অসি য়াম্না ফজদবা টেক্টিক্সনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাক শন্না এটেক চত্থখ্রবা মতুংদা যুক্রেনিয়নশিংনা এয়র রেইদকী এলার্টশিং লুনা লৌনরক্লে হায়রি।

যুক্রেনগী লান হৌখিবদগী চত্থরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোং-রেঞ্জ মিসাইল কয়া যুক্রেনগী মফম কয়াদা তাশিনখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা যুক্রেনগী মপানদা রোকেট অমা তাশিনবগী থৌদোক্তা লৈবাক অসিগী বোর্দরগা নক্লবা পোলেন্দগী ভিলেজ অমদা রোকেট অমা পোকখায়রকপদগী মীওই অনী শিখিবদগী লান অদু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা কনশিল্লক্কদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা লৈখি।

প্রসিদেন্ট বোলোদোমির জেলেন্সকিনা অহানবদা মদু রসিয়ানা কাপ্লকপনি হায়রম্লবসু কিভকী মীচংশিংনদি মদু যুক্রেনিয়ন এয়র দিফেন্সশিংগী এক্সনগা মরী লৈনরমগদবা মাল্লি হায়না ফোংদোরক্লি। অদুম ওইনমক মিলিটরি এল্লায়ন্স নাটোগী হেদ জেন্স ষ্টোলটর্নবগনা অহানবমক্তদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি মোস্কোনা লান হৌহনখিবনি হায়বসি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ানা কাপখিবা মিসাইল কয়া লম্নখাংদা কাপথখিবা ওইরবসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর টার্গেটশিংদা মিসাইল কয়ানা হিট তৌবদগী যুক্রেনগী পৱার রিজার্বশিং মখা তানা শোকহনখি।

# ইরানদা নুমিদাং খুদিংগী প্রোটেষ্ট লেপত্রি মীওই ১৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



টেহরান, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ইরানদা চয়োল মাপন চুপ্পা নুমিদাং খুদিংগী পাক শন্না প্রোটেষ্ট চত্থরকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বরশিং অমসুং চহী মাপনগী নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ১৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

কুমজা ২০১৯ গী মীয়ামগী ঈহৌগী কুমওন নুমিৎ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মোটোর সাইকল অনীদা লাকপা টেররিষ্টশিংনা ইরানগী খা থংবা সিটি ইজিপ্ট হুজেষ্টাদা লৈবা সোপ্পিং সেন্টর অমদা মীওই তরেৎ হাৎখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোংদোকখি।

অদুম ওইনমক প্রোটেষ্টরশিংনদি বাজিজ মিলিসিয়া ফোর্সকী মেম্বরশিংনা মথোং মরম খঙদনা মীচমশিংদা টার্গেট তৌদুনা নোংমৈ কাপ্পদগী মপাগা লোয়ননা কারদা তোংলিবা চহী মাপনদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই কয়া হাৎলিবনি হায়না ফোংদোক্লখি।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিশিংনা হায়রি, মদুদি শিখিবশিংগী মনুংদা ভোলুন্টিয়র বাজিজ পেট্রোলমেন অনী য়াওরি। মীওই মাপন এটেক অদুদা অশোক অপন নঙখি। তোঙানবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা ইস্ফাহন এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওইশিং য়াওনা মখা তানা মীওই মঙা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। কুর্দিষ্টানদা শিখিবা কয়া থারগা নুমিদাং অথেংবা অদুদা শিখিবা মীগী মশিং পুন্না ১৫নি হায়না রিপোর্ট কয়াদা পনখি।

ইন্টর্নেল ইরানিয়ন ন্যুজ এজেন্সিশিংনা গভর্ণমেন্টগী ৱাফম শৌগৎলদুনা মশক খঙদবা এন্টি-ফোর্সশিং নত্ত্রগা ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্টশিংনা নোংমৈগী এটেকশিং অদু চত্থখিবনি হায়না রিপোর্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং থৌদোকশিং অদুবু উহৌবা মীওই কয়ানা খুৎলায় পায়দবা সিভিলিয়নশিংদসু টার্গেট তৌখি হায়না ক্লেম তৌখি। খ্বাইদগী নৌবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা শিখিবা মীগী অপুনবা মশিং ৩৪৮ শুরে হায়না হ্যুমেন রাইটস এজেন্সি হরানানা হায়রি।

গার্দিয়নগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা ইরানগী সিটি অহুমদা সিমিনরিশিং মৈ থাখি। গভর্ণমেন্ট ন্যুজ এজেন্সিশিংনা হায়রি, মদুদি মীহাৎশিং অদু মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিং খুৎলায় পায়বা লালহৌ ওল্লকপগী খুদম চাংদম ওইরম্বা য়াই।

নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবশিংগী হকচাংশিংদা য়াওরম্লিবা নোংমৈ মরুশিং ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগনি। হৌজিক প্রোটেষ্টশিং অদু ইরানবু সিরিয়ানাইজেসন তৌনবা হোৎনবা অমদি পব্লিক ওর্দর ফেল ওইবগী থবকশিংনি হায়না গভর্ণমেন্টনা য়েৎপা য়ানবগী অচৌবা প্রোপেগন্দাগী লান অমা চত্থরক্লবা য়াই হায়রি।

# পোলেন্দদা তাশিনখিবা মিসাইল যুক্রেনগী ওইবা য়াই: নাটোগী চীফ জেন্স ষ্টোলটনবর্গ





লন্দন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটন বর্গনা হায়খ্রে, চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পোলেন্দদা হিট তৌদুনা মীচম অনী শিহনখিবদু যুক্রেনগী মিসাইল ওইরম্বা য়াই। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা বি বি সিগী ইন্টরভিয়ুদা নাটোগী চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী ওইথোকপা য়াবদি মদু যুক্রেনগী এয়র দিফেন্স মিসাইল অমা ওইরম্বা য়াই হায়বসিনি।

ষ্টোলটন বর্গনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দগী লান দাবা হৌবদগী মিসাইল ষ্ট্রাইক কয়া চত্থরকখিবগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদুগী রেস্পোন্স ওইনা নাটোনা যুক্রেনদা এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরসু ওইদবা লৈবাক অসিদা হেন্না এদভান্স ওইরবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেম সপ্লাই তৌরগনি হায়না থাজবা পীখি।

বিবিসিদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টোলটন বর্গনা হায়খি, মদুদি ঙসি ঐহাক্না যুক্রেনবু মতেং পাঙবা গ্রুপকী মীফম অমদা শরুক য়াখি। মদুদা নাটোগী মীচংশিং অমসুং পার্টনরশিংনা হেন্না এদভান্স ওইরবা এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং যুক্রেনদা পীননবা লৌমিন্নখি। ঙসি যুক্রেনবু রসিয়াগী মিসাইলশিং কাপথবা ঙমহন্নবগীদমক্তনি।

মখা তানা ষ্টোলটন বর্গনা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি থিংনবগী খ্বাইদগী ফবা লম্বীদি রসিয়ানা লান লেপ্পা অসিনি। মসি রসিয়ানা অতম্মনা চত্থরকখিবা এটেক অমা নত্তে হায়বগী ইঙ্গিৎ ঐখোয়না ফংই। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অসি রসিয়ানা থোকহনবনি হায়বসিদি চিংননিংঙাই ওইদে। রসিয়ানা যুক্রেনগী সিটিশিংগী মায়োক্তা মিসাইল এটেকশিং চত্থরমদ্রবদি অসিগুম্বসি থোক্লম্লোই।

মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা পিছ নিগোসিএসন চথবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈব্রা হায়না হংবদা ষ্টোলটন বর্গনা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা য়াশিন্নবা অমদি নিগোসিএসন চথবা পামদে হায়বসি মমাঙদা চত্থরকখিবা থবক থৌওং কয়ানা উৎখ্রে।

# জি-২০ সম্মিটতা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা ট্রুদোবু চৈখ্রে

বালি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

কানাদাগী ওফিসলশিংনা মমাঙগী মীফম অমগী অকুপ্পশিং স্যের তৌখিবা মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদোবু চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা চাওনা চৈখ্রে হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা লোইশিনখিবা জি-২০ সম্মিটদা মেদিয়া পুলনা রেকোর্দ তৌখিবা ক্লিপ অমদা খোইরাং খোইশাওনরবা সিনা কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টরবু হাইফেৎ নাকলদা চিংথোক্লগা লুচিংবা অনীগী মরক্তা মমাঙদা শান্নখিবা ৱারীগী অকুপ্পশিং মেদিয়াদা খঙহনখিবা হায়বসি য়াম্না চুমদে হায়খি।

থৌওং অদুনা ট্রুদোগী এপ্রোচতা পুকচেল শেংবগী মথৌ ৱাৎলে হায়বগী ইঙ্গিৎ চাইনিজ লুচিংবা অসিনা পীখি হায়না গার্দিয়ননা রিপোর্ট অমদা হায়রি।

ট্রান্সলেটর অমগী খুত্থাংদা সিনা ট্রুদোদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না খন্নখিবা পুম্নমক পেপরদা লিক ওইখ্রে। মসি য়াম্না নাতৈ চাদবা থৌওংনি। লুচিংবা অনী ৱারী শান্নবদা অসুম্না চত্থরম্বসি চুমদবা থৌওং অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মমাঙগী জি-২০ সম্মিটকী নাকোয়ননা মমাঙদা ৱারী শান্নখিবদা ট্রুদোনা মহাক্কী লৈবাক্তা চাইনানা খুৎ থিংজিনবগী থৌওংশিং কন্না চত্থরক্লি হায়না চাইনিজ লিদর অসিদা খঙহনখিবগী মতাং অমা গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংনা ব্রিফ তৌবদা পনখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

অমরোমদা, সিগী ট্রান্সলেটর অদুনা ঙাঙলিবদু লেপহন্দুনা ট্রুদোনা হায়খি, মদুদি কানাদাদা ঐখোয়না অয়েৎ অপন য়াওদনা লৌথুপ লৌকোইবা লৈহন্দনা ৱারী ইফোঙ ফোঙনা শান্নবগী চৎনবী অসিদা থাজে। মখা তানা ঐখোয়না অসিগুম্বা দাইলোগতা থাজবা থমখিগনি।

সি জিনপিংনা ট্রুদোদা লৈবাক অনীনা অমগা অমগা থাজননবগী কন্দিসনশিং হান্না শেমগদবনি হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে



সিওল, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা ইষ্ট সীদা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল (এস আর বি এম) অমা কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোংদোরক্লি।

সাউথকী মিলিটরিগী মতুং ইন্না মিসাইল লোঞ্চ অদু চয়োল অমা খরা হেনবগী মনুংদা নোর্থনা চত্থরকপা মিসাইল কাপ্তুনা কায়হৌবগী অহানবা থৌদোক্লি।

জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) না হায়খি, অয়ুক পুং ১০.৪৮ রোম তাবা মতমদা কাংৱোন প্রোভিন্সকী ৱানসং এরিয়াদগী চত্থরকখিবা লোঞ্চ অদু মখোয়না দিটেক তৌখি। জেসিএসনা অতৈ অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা জে সি এসনা হায়, ঐখোয়গী মোনিটরিং অমসুং ভিজিলেন্সকী থবকশিং হেন্না ইফেক্তিব ওইহনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী মিলিটরিনা য়ুএসকা কোওপরেসন পীনদুনা মপুং ফানা শেমশাবগী ফিভম অমা মেন্টেন তৌরি। করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী রিজনেল এল্লাইশিংদা দিটরেন্সকী কম্মিটমেন্ট হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনরক্লবদি পিওংয়াংনা হেন্না শাথিবা মিলিটরি এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর চো সোন-হুইনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা লোঞ্চ অসি পাঙথোকখিবনি।

দিটরেন্সকী কম্মিটমেন্ট শাংদোকপা হায়বসি ৱাশিংতন্না মসিগী মীচংশিংগী অকন অরিংশিংবশিংগী এটেক্তদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা ন্যুক্লিয়র অমসুং কনভেনস্নেল য়াওনা মখল কয়াগী মিলিটরি কেপেবিলিটিশিং শীজিন্নরক্কনি হায়বা ৱাশিংতনগী ৱাশক অমগা মরী লৈনৈ। নোংমাইজিং নুমিত্তা কম্বোদিয়াগী নোম পেনদা পাঙথোকখিবা চহীগী ওইবা রিজনেল গেদরিংগী নাকোয়ননা প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাগা লোয়ননা ট্রাইলেটরেল সম্মিট অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ৱাশিংতনগী ৱাশক অসিবু অমুক হন্না পনখি।

নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা নবেম্বর ৯ দা ইষ্ট সীদা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখিবনি।

# ইটালিদা য়ু এন ঐচ সি আর য়ুনিভর্সিটিগী স্কোল্লারশিপশিং ফঙবা রিফ্যুজি ৫১ থুংখ্রে

রোম, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ইটালিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চন্নবগীদমক অফ্রিকাদগী রিফ্যুজি ৫১ গী গ্রুপ অমা লৈবাক অসিদা থুংলরে হায়না য়ুএন রিফ্যুজি এজেন্সি (য়ু এন ঐচ সি আর) না ফোংদোরক্লি।

এজেন্সিনা য়ুএনঐচসিআরগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা হায়, রিফ্যুজিশিং অদু চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈবা মীওইশিংবু মপানদা মখোয়গী মহৈ মশিং মখা তাবা তম্বগী খুদোংচাবা অমদি সপোর্ট পীরিবা হেন্না চাওবা প্রোজেক্ট অমদা শরুক য়াগনি।

য়ুনিভর্সিটি কোরিদোর ফোর রিফ্যুজি (য়ুনিকোর ৪.০) কৌবা প্রোজেক্ট অদুগী মরিশুবা এদিসন অদু য়ুএনঐচসিআর, ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং লৈবাক অসিগী নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন কয়ানা সপোর্ট তৌই। কুমজা ২০২২ দা প্রোজেক্ট অদুদা কেমরুন, মালাৱি, মোজম্বিক, নাইজর, নাইজেরিয়া, সাউথ অফ্রিকা, জাম্বিয়া অমসুং জিম্বাবৱেগী মহৈরোয় ৬৯ না শরুক য়াগনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রোমগী ফিউমি সিনো এয়রপোর্টতা থুংখিবা মহৈরোয় ৫১ অদু লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চন্নবগীদমক্তা লাকপা অহানবা মহৈরোয়শিংনি। মখোয়না প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা ইটালিগী য়ুনিভর্সিটি ৩৩ দা ষ্টদি থুনা হৌরগনি। রিফ্যুজিশিং অদু ট্যুসন ফী লৌদবগা লোয়ননা প্লেনগী টিকেটশিং অমসুং ভিজাগা মরী লৈনবা চাদিংশিংগীদমক ফাইনান্সিএল সপোর্ট ফঙগনি অমদি ইটালিদা লৈরিঙৈদা মতেং ওইনবগীদমক্তা মখোয়দা ষ্টদি গ্রান্ট অমসু পীগনি।

য়ুএনঐচসিআরগী মতুং ইন্না গ্লোবেল লেভেলদা নন-রিফ্যুজি পোপুলেসনশিংগী চাদা ৩৮ গা চাংদম্নবদা রিফ্যুজি চাদা ৫ দমক হায়র এদুকেসনগী খুদোংচাবা ফঙলি হায়নসু ফোংদোকখি।

# ন্যু জিলেন্দদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং রেকোর্দ ওইনা হন্থরক্লে

ৱেলিংতন, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ন্যু জিলেন্দবু কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মৈখু শীজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বা পান্দম অসিগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা মৈখু শীজিন্নবগী চাং অসি পুৱারীগী রেকোর্দ ওইবা মওংদা চাদা ৮ দা হন্থরক্তুনা মমাঙগী চহীদা লৈখিবা চাং চাদা ৯.৪ দগীসু হন্থরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা এসোসিএট হেল্‌থ মিনিষ্টর অয়েসাব বেরালনা ফোংদোকখ্রে।

এজেন্সিনা মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক্কী ষ্ট্রেস অমসুং প্রেসর লৈদুনসু মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংগী মশিং অসি হৌখিবা চহী অসিদা ৫৬,০০০ হন্থরকখি। হৌজিক লৈরিবা মৈখু শীজিন্নবগী চাং অসি চহী তরাগী মমাঙদা লৈখিবা অদুগী তঙ্খায়রোমদনি। মৈখু শীজিন্নবগী চাং লেপ্তুনা হন্থরকপসি য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই।

মরু ওইনা লোকদাউন মনুংদা অতৈ লৈবাকশিংদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা লৈরবসু লৈবাক অসিদদি মৈখু শীজিন্নবগী চাং হন্থরক্লিবসি অফবা মায়ওন অমনি।

বেরালনা মখা তানা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টগী মৈখু শীজিন্নবা লেপহন্নবগী সার্ভিসশিংগী খুদোংচাবা মীয়াম্না পাম্না লৌনরকপা উরি। মসিনা অহেনবা মীওইশিং মৈখু থকপা লেপহনখি।

# রিক্রুটশিংদা গাড়ীনা থোম্বদগী মীওই ২৫ অশোক অপন নঙখ্রে

সেন্ট ফ্রান্সিস্কো, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

কালির্ফোনিয়াদা ট্রেনিংগী লমজেল চেল্লিবা পুলিস রিক্রুটশিংদা গাড়ী অমনা শাফু কন্না থোমজিনবদগী পুন্না পুলিস রিক্রুট ২৫ অশোক অপন নঙলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোংদোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, থৌদোক অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা থোকখিবনি। মশাগী চহী ২২ শুরবা সাইদ লান্না গাড়ী থৌবা মীওই অমনা মহাক্কী কার অদু রিক্রুট ৭৫ গী ক্লাস অমদা থৌজিনখি।

রিক্রুটশিং অদু ট্রেনিং এক্সর্সাইজকী শরুক অমা ওইনা পুন্না লমজেল চেল্লম্বশিংনি। লোস এঞ্জেলিস কাউন্টিগী সেরিফ অলেক্স বিলানোবানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা শোক্লবশিংগী মনুংদা মীওই মঙাগী ফিভম লূনা লৈ। অতৈ মরিনা ময়াই ওইরপ লুবা ফিভমদা লৈ। মখোয়গী মরু ওইবা হকচাং কয়াৎশিং নোর্মেল ওইনা ফঙ্কসন তৌরি। অতৈ ১৬ না মাইনর ইঞ্জুরিশিং ওইখি।

বিলানোবানা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি গাড়ী অদু অয়ুক পুং ৬.২০ লোম তাবদা সাউর্দন কালির্ফোনিয়াগী ৱিটয়রদা লোস এঞ্জেলিস কাউন্টি সেরিফকী দিপার্টমেন্ট অমদি অতৈ পুলিস দিপার্টমেন্ট কয়াগী রিক্রুটশিংগী গ্রুপ অমদা খঙহৌদনা থৌজিল্লকখিবনি।

ওফিসলশিংনা হায়রি, মদুদি থৌদোক অদুদা দ্রাইভর অদু মাইনর ইঞ্জুরি খরা থোকখি অমদি মহাক মফম অদুদা দিটেন তৌখি। বিলানোবাগী মতুং ইন্না দ্রাইভর অদু ফিল্ড সোবরেন্টি টেষ্ট পাস তৌখি।

এক্সিদেন্ট অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা চহী খুদিংগী ইমিগ্রেন্ট ৫০,০০০ মথৌ তারগনি

হেলসিনকি, নবেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

ফিনলেন্দগী টেক ইন্দষ্ট্রি অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা অহল ওইরবা মীওইশিংগী মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা জোব ভেকেন্সিশিং মেনশিন্নবগীদমক মথংগী চহী ২৮ চুপ্পগী ওইনা চহী অমদা লৈবাক অসিনা ইমিগ্রেন্ট ৫০,০০০ রোম মথৌ তারগনি।

টেক্নোলোজি ফিনলেন্দনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা ফিনলেন্দগী খ্বাইদগী মরু ওইরবা এক্সপোর্ট সেক্টর ইন্দষ্ট্রি খক্তনা মথংগী চহী তরাগী মতমদা অনৌবা এক্সপার্ট ১,৩০,০০০ মথৌ তারগনি।

অনৌবা এক্সপার্ট মশিং অসিগী তঙ্খায়রোমদমক্না থবক্তগী পোত্থারবশিংগী মহুৎ শিনগনি হায়বদি মথংগী চহী তরাগী মতমদা এক্সপোর্ট ইন্দষ্ট্রিদা জোব ভেকেন্সি লিশিং কয়া লৈরগনি। টেক ইন্দষ্ট্রি কম্পেনি ১৮০০ লোমগী এসোসিএসন অমা ওইরিবা টেক্নোলোজি ফিনলেন্দগী চিয়ারমেন জাকো স্কোলানা হায়, ফিনলেন্দ অসি অহল ওইরবশিংগী মশিং য়ামখৎলক্লবা লৈবাক অমা ওইরে। থবক্তা শীজিন্নবা য়াবা নহা ওইরিবা মীওইশিংগী মশিং হন্থরকপা অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং চাওনা অকায়বা পীরক্লি।

করিগুম্বা ফিনলেন্দদা থবক শুবা য়াবা চহীগী মীওইশিং মতিক চানা লৈতবা তারবদি ৱেলফ্যের ষ্টেট মেন্টেইন তৌবা ঙম্লোই। মরম অদুনা অমত্তা ঙাইরবা ওপসনদি থবক্তা শীজিন্নবা য়াবা ইমিগ্রেন্টশিংগী মশিং চাওনা হেনগৎহনবা অসিনি।

ফিনলেন্দনা শীংথানিংঙাই ওইবা লোং-টর্ম ইমিগ্রেসন পোলিসি অমা শেম্বা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক ইমিগ্রেসন খক্তনা ফিনলেন্দগী চেলেঞ্জ পুম্নমক্তি সোল্ভ তৌবদি ঙম্লোই হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না মরু ওইনা ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজিগী লমশিংদা নহা ওইরিবশিংগী স্কিল লেভেল হেনগৎহনবসি য়াম্না মরু ওই।

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT
ꯆꯩꯊꯣꯛꯄꯥ / NOTIFICATION
Imphal, the 17th of November, 2022

No. MED-301/2/2021-HS-HEALTH-Part(9): In pursuance of the State Cabinet decision taken on 03/11/2022, it is hereby notified for information to all concerned, that applications are invited for appointment to the posts of Senior Resident/Tutor for various Departments at Churachandpur Medical College, as per details below:

| Sl. No. | Subject | No. reqd. at LOP |
|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 2 |
| 2 | Physiology | 1 |
| 3 | Community Medicine | 1 |
| 4 | General Surgery | 1 |
| 5 | Obs. & Gynae | 1 |
| 6 | Opthalmology | 1 |
| 7 | Emergency Medicine | 6 |
| 8 | Orthopaedics | 1 |
| 9 | Respiratory Medicine | 1 |
| Total | | 15 |

2. **Eligibility Criteria:**

a) **Essential Academic Qualification**: As per **Teachers Eligibility Qualifications in Medical Institutions in Medical Institutions Regulations, 2022 Notified vide** NMC Notification No. NMC/MCI-23(I)/2021-MED dated 14th February, 2022 and as amended from time to time.

b) **Age:** The applicant should be less than 45 years of age as on the date of initial appointment as per NMC Notification No. NMC/MCI-23(I)/2021-MED dated 14th February, 2022.

3. **Scale of Pay:** Rs.9300 34800+ GP Rs.5400 (Pre-revised) and Pay Level 12 in Pay Matrix of RoP, 2019.

5. **Tenure of Appointment:** The appointment shall be purely on tenure basis for a period of 1 year extendable upto 3 years.

4. The applicant must possess a Postgraduate degree or equivalent qualification included in any one of the schedules to the Indian Medical Council Act,1956 (102 of 1956 and National Medical Commission Act, 2019. They must also be registered in a State Medical Register or National Medical Register, except in the case of teachers with non- medical qualifications.

5. **Application Form :** Willing and intending candidates may download the application form from website www.cmcmanipur.nic.in. The duly filled in Application Form along with the prescribed fees should be submitted to the **Office of the Director, Churachandpur Medical College, Churachandpur.**

6. **Application Fees:** Rs. 1000/- for UR/OBC Category and Rs. 500/- for SC/ST/PWD category respectively by cash.

7. Last Date of Form Submission: **upto 4:00 P.M. of 5th of December, 2022**

8. Scheduled date, time and venue for Interview/Viva voce shall be notified on a later date.

9. For any queries please contact:
Dr. Sanaton Ahanthembi.
Dean (Academics),
1st Floor Dean's Office
CMC, Churachandpur.
e-mail: drsanatonahanthembi@gmail.com

Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health)**
**Government of Manipur.**

HL/B/7903/18